## গায়া এয়রপোর্টতা ফোরেন্নর ৪ পোজিটিব ওইরম্বা থেংনখ্রে

পটনা, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী) : বিহারগী গায়া এয়রপোর্টতা ঙসি থুংলখিবা ফোরেন্নরশিং আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌরুবদা ফোরেন্নর মরি কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরম্বা থেংনবদগী হোটেল অমদা মখোয়বু আইসোলেট তৌদুনা থমখ্রে হায়রি।

কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরম্লবা ফোরেন্নর মরি অদুগী মনুংদা অনীনা ইংলেন্দদগীনি অদুগা লেমহৌরিবা অনী অদুনা ম্যান্মার অমসুং থাইলেন্দদগীনি। মখোয় বোধ মহোটসব শরুক য়ানবগীদমক লৈবাক অসিদা লাকখিবনি। বুধিষ্ট লাইনিং চৎপশিংগী ওইবা খ্বাইদগী চাওবা মহোটসব অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদগী মীওই লিশিং কয়ারোম লৈবাক অসিদা থুংলবা য়ানা লৈরি।

অমরোমদা বিহার লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এয়রপোর্ট শিংদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা থবক তৌবা হৌখিবগা লোয়ননা ফোরেন পেসেঞ্জরশিংখক্তা নত্তনা দোমেষ্টিক পেসেঞ্জরশিংসু কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌহল্লবা য়ানা লৈ হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

## কর্নাটকা হেল্থ মিনিষ্টর কে সুধাকরনা ষ্টেট অদুগী মীপুম খুদিংমক্না মাস্ক শুকশোয় শোয়দনা উপ্পবা খঙহনখ্রে



বেঙ্গালুরু, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী) : মালেমগী লৈবাক খরদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট বি এফ.৭ না চৈথেং পীবা হৌরকখ্রবা মতুং লৈবাক অসিগী ওইনা ইন টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলবা পেসেঞ্জর খুদিংমক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী থবক পায়খৎলক্লিঙৈ মরক অসিদা কর্নাটকা ষ্টেটকী ওইনদি মীয়াম তিনবা মফমশিংদা মাস্ক শুকশোয় শোয়দনা উপ্পবা খঙহনখিবগা লোয়ননা ন্যু য়রগী কুম্মৈ অহিংগী পুং ১ ফাওবা পাঙথোকপা য়াগনি হায়রি।

কর্নাতকাগী হেল্থ মিনিষ্টর কে সুধাকরনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক্না মীপুম খুদিংমক্তা মাস্ক উপ্পবা খঙহল্লিবা অসি ঙাক্না চৎকদবনি। মরুওইনা রেষ্টুরেন্ট, পব, ঠিয়েটর হোল, স্কুল অমদি কোলেজশিংদা মাস্ক শোয়দনা উপকদবনি। মসি হায়দুনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না কোভিদ-১৯ শন্দোরক্কনি হায়না অকিবা ফাওবগী মথৌ তাদে। মসিদি মাঙজৌননা লায়না লায়চৎ অসিনা অমুক হন্না চৈথেং পীরক্তনবা পায়খৎপা চেকশিন থৌরাংনি। অমরোমদা মীরোল্লবী নুপীশিং, অঙাং, অহল ওইরবা মীওইশিং অমদি মশাগী তোঙান তোঙানবা অনাবা লৈজবা মীওইশিংনা য়ারিবমখৈ মী য়াম্না তিনবা মফমদা চঙদনবা হোৎনগদবনি। মসিনা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎতগী ঙাকথোক্নবা খ্বাইদগী হেন্না ফবা পাম্বৈনি হায়রি।

অমরোমদা কর্নাতকাগী চীফ মিনিষ্টর বসাভরজ বোম্মাইনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেটনা কোভিদ-১৯ গী মতাংদা য়াম্না কুপ্না খন্নরবা মতুং লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা মাস্ক কম্পলসরি ওইনবা ফিরেপ অসি লৌখিবনি। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা হিরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌরি। হৌখিবা চহী অনীরোম কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরগা ন্যু য়রগী কুম্মৈ মপুঙ ফানা পাঙথোকপা ঙমদনা লাক্লি। অদুবু হন্দক চহীগী ওইনসু ন্যু য়রগী কুম্মৈ পাঙথোকপা মতমদা অথিংবা খরদি লৈখিগনি। মসি মালেমগী লৈবাক খরদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অমুক হন্না শন্দোকপা হৌরকপদগীনি। হন্দক্কী ওইনা ন্যু য়র কুম্মৈ অহিংগী পুং ১ ফাওবা পাঙথোকপা য়াগনি। অদুবু ন্যু য়রগী নুংঙাইরবা কুম্মৈদা শরুক য়ারিবশিংনা ইশাগী খল্লগা মাস্ক শোয়দনা উপকদবনি হায়রি।

## ভারত জোরো যাত্রা খোঙচৎতা মরাল শিবা য়ানবা সেন্টরনা কন্না হোৎনরি : কোংগ্রেস



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী) : কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎতা অয়েৎপা পীনবা অমদি কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা খোঙচৎ অসিদা তোঙান তোঙানবা মরাল কয়া শিনবা বি জে পিনা লুচিংবা সেন টরদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা কন্না হোৎনরি হায়না কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা কোংগ্রেসকী ৱাঙাঙলোয় সুপ্রিয়া শ্রিনাতেনা ফোঙদোকখিবদা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রাহলাদ জোসিনা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎপু লুচিংলিবা কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীবু খোঙচৎ অসি লেপ্পবা অমদি খৃষ্টমাস কুম্মৈগী নুংঙাইবা শরুক য়ানবা মপান লৈবাক্তা মতম খরা লৈরুবনা ফগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুনা বি জে পি করম্বা পার্টিনো হায়বা ময়েক শেংনা তাক্লে। অমত্তা ওইবা ইন্দিয়াগী ৱাখল্লোনদা চৎলিবা খোঙচৎ অসিবু থুগায়নবা বি জে পিনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। অমরোমদা খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা রাহুল গান্ধীনা মহাত্ম গান্ধী, জৱাহরলাল নেহরু, ইন্দিরা গান্ধী, রাজিব গান্ধী, লালবহাদুর শাষ্ট্রি, চৌধুরি চরন সিংহ অমদি অতল বিহারি বাজপায়গী খুভমশিংদা ইকায়খুম্নবা উৎলি। অদুগা বে জে পিনা অতনবা মবুক ফত্তবা অঙাং অমগী মতৌগুম কন্বল মনুংদা লৈদুনা কাঙলূপ ফুরুপ মশেলগী মরক্তা য়েংথিনহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি হায়রি।

ভারত জোরো যাত্রা খোঙচৎকা মরী লৈননা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী মরক্তা অৱায় অখুম তৌনদুনা লাকখিবনি। য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর মনসুখ মন্দাভিয়ানা খোঙচৎ অসি মতম খরা য়ৈথোক্লবা খঙহল্লকখ্রবা মতুং নাকল অনীগী মরক্তা অৱায় অখুমগী থবক হান্নদগী হেনগৎলকখিবনি।

অমরোমদা কোংগ্রেস লুচিংবা জয়রাম রামেসনা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯গী খুদোংচাবা লৌরগা চৎলিবা খোঙচৎ অসি মতম খরা য়ৈথোক্লবা নৎত্রগা কোভিদ-১৯ গী প্রোটোকোলশিং ঙাক্না চৎনবা খঙহল্লকখিবনি। মসি মখোয়গী খুৎলায়নি হায়রি।

## কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১৯৬ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১৯৬ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৪ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১৯৬ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৭,৩০২ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৩৪২৮ দা হেনগৎলকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই ৪ শিহনখিবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৬৯৫ শুখ্রে। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮০ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি।

## নিরমালা সিথারমন হোস্পিটালদা এদমিট তৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী) : য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিথারমন ঙসি চাকখাউগী ওইবা নুংঙাইতবা অমনা মরম ওইরগা দেল্লিদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) কী প্রাইভেট ৱার্দ অমদা এদমিট তৌখ্রে হায়রি। মশাগী চহী ৬৩ রোম শুরবী লুচিংবী অসি ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা এদমটি তৌখিবনি। এদমিট তৌখিবা মতমদা মহাক লাইহৌসু তৌখি হায়রি।

## 'অপীকপা ৱাখল্লোন্দগী ঐখোয়না মতম পুম্বদা লাপথোক্না লৈগদবনি'



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হান্না লৈরম্বা লৈঙাক্না অপীকপা ৱাখল্লোন্দা থবক তৌরম্বনা মরম ওইরগা চাওখৎ মনিং হলহন্নবা অচৌবা মরম অমা ওইরম্বতা নত্তনা মীয়ামদা ফংহনগদবা খুদোংচাবা অমত্তা মতম চানা ফংহনবা ঙম্লমদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অসিগুম্বা অপীকপা ৱাখল্লোন অসিদগী ঐখোয়না লাপথোক্না লৈগদবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদমক খল্লগা অশানবা মীৎয়েং থমদুনা থবক পায়খৎপা ঙম্বদগী লৈরিবা লৈঙাক অসিদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না হান্নদগী হেন্না থাজবা থম্লকপনি হায়রি।

## মহারাষ্ট্রগী লম ইঞ্চি অমা ফাওবা মাঙবা য়ারোই : দেবেন্দ্র ফদনাভিস

নাগপুর, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী) : মহারাষ্ট্র অমসুং কর্নাতকা ষ্টেট অনীগী মরক্তা ঙমখৈগী শরুক্কা মরী লৈননা উংখৎনবগী থৌদোক কয়া থোক্লিঙৈ মরক অসিদা মহারাষ্ট্রগী লম ইঞ্চি অমা ফাওবা অরানবা মওংদা লৌশিনবা য়ারোই হায়না মহারাষ্ট্রগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাভিসনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঙমখৈদা শিংনরকপা খুদিংমক মায়োক য়ানবা শেম শাদুনা লৈ হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ওপোজিসনদা লৈরিবশিংনা ঙমখৈগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না করি পায়খৎলবগে হায়বা ৱাহং অসিনা এসেমব্লিদা মরুওইবা ৱাহং ওইখি। ষ্টেট অসিনা ঙমখৈগী শরুক্তা শিংনরকপা খুদিংমক থেংননবা শেম শাদুনা লৈরি হায়বসি ওপোজিসন পার্টিশিংদা হান্ননা খঙহনবা লৈখ্রে। কর্নাতকাগী শরুক্তা লৈরিবা মরাথি ঙাঙবা মীওই খুদিংমকপুসু খুদোংথিবা থোকহন্দনবা লৈঙাক্না য়াম্না মুন্না খন্নরি অমদি মখোয়গীদমক পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনরি। লৈরিবা লৈঙাক অসিগী মরুওইবা পান দমদি পোলিটিকেল ওইবা মওংদা ৱারী শান্নদুনা য়েৎনরিবা অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবনি। অদুবু ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা লৈঙাক্না ষ্টেট অসিগী লম ইঞ্চি অমা ফাওবা কমপ্রোমাইজ তৌরোই হায়রি।

## অখিলেস য়াদব অমসুং ময়াৱতিবু ভারত জোরো যাত্রা খোঙচৎতা শরুক য়ানবা কোংগ্রেসনা ইনভাইট তৌখ্রে



লক্ষনৌ, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সী) : হৌজিক হৌজিক কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎতা নন-বি জে পি পার্টিশিংনা শরুক য়ানবা ইনভাইট তৌখিবগা লোয়ননা সমাজৱাদি পার্টিগী প্রসিদেন্ট অখিলেস য়াদব, বি এস পিগী সুপ্রিমো ময়াৱতি অমসুং আর এল দিগী জয়ন্ত চৌধুরিবু শরুক য়ানবা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী খোঙচৎ অসিদা শরুক য়ানবা ইনভাইট তৌখ্রে হায়রি।

কোংগ্রেসকী ৱাঙাঙলোয় অশোক সিংহনা ফোঙদোকখিবদা, লাক্লিবা জানুৱারী থাগী ৩ দা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ অসি উট্টর প্রদেশতা শোয়দনা য়ৌরক্লগনি। খোঙচৎ অসিগী পান্দমদি অমখক্তনি। ওপোজিসনদা লৈরিবা ৱাখল্লোন মান্নবা পার্টিগী লুচিংবশিংনা খোঙচৎ অসিদা শরুক য়ারকপা মতমদা কোংগ্রেসনা তরাম্না ওক্কনি। খোঙচৎ অসিদা ওপোজিসনদা লৈরিবশিংনা মাগী মাগী অপাম্বা ৱাখল্লোন অদু ফোঙদোক্কদুনা অমদি লৈরিবা খেন্নবশিং অদুবু খঙদোক্কুনা অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নবগী তঙায়ফদবা মতম অদু লাক্লে হায়রি।

হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা সলমান খুরসিদনা ফোঙদোকখিবদা, চৎলিবা খোঙচৎ অসি পার্টি অমখক্কী ওইবা খোঙচৎ নত্তে। মসিদি অমত্তা ওইবগী খোঙচৎনি। মরম অদুনা খোঙচৎ অসিদা লৈবাক অসিগী লুচিংবশিং অমদি তোঙান তোঙানবা পার্টি খুদিংমক শরুক য়ারনবা হায়গনি। খোঙচৎ অসিদা লুচিংবা কনা কনা মখা তানা শরুক য়ানবা ইনভাইট তৌগদগে হায়বগী মতাংদদি মহাক্না ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে হায়রি।

অমরোমদা কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রসু উট্টর প্রদেশতা চৎকদৌরিবা খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াগনি। রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা খোঙচৎ অসিনা লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকপা য়াই হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরকপগা লোয়ননা খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াবা মীগী চাং লেপ্পা লৈতনা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি হায়রি।

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR

**Ref. Mutation Case No. 530/SDC/Bpr, 2022**

1) Khomdram Deeneshwar Singh, S/o (L) Babu Singh of Lalambung Makhong
2) Khomdram Dhanapati Devi, D/o (L) Babu Singh of Uripok Achom Leikai
3) Khomdram Pramila Devi, W/o H. Biren Singh of Bishnupur Ward No. 6
4) Khomdram Pramodini Devi, W/o Ak. Gunamani of Kwashiphai Mayai Leikai –Petitioner

-Versus-

Khomdram Babu Singh, S/o (L) Bapu Singh of Kwashiphai - O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**

20th December, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Khomdram Babu Singh, S/o (L) Bapu Singh of Kwashiphai গী মিংদা পানবা খুল নং ৪০-খোইজুমান খুনৌ পাট্টা নং 62 (Old)/179 (New)দাগ নং ৩৬৪, ৩৬৫, ৩৭২ গী ০.৬৬ একর, ০.৬৪ একর অমসুং ০.৭৮ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মশা লৈখিদ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioners শিং অসিদা নমা ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী থারগা ৭ নি গী মনুংদা অইবা চেনা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কেস মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Bishnupur

HL-P/5500/27

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

**Ref. : Mut. Case No. 837 of 2022**

1) Khomdram Chandrakumar Singh, S/o (L) Tomba Singh of Mongsangei Makha Leikai - 0.15 acre
2) - Do - Bhogendro Singh, S/o - do - of - do - 0.15 acre
3) Khomdram Rita Devi, W/o (L) Chaoba Singh of - do - do - 0.05 acre
4) Khomdram Bimola Devi, W/o Khangembam Ingocha Singh of Keinou Thongkha Mayai Leikai
5) Khomdram Bijentimala Devi, W/o Khangembam Jilla Singh of Langthabal Lep Awang Leikai
6) Khomdram Inaocha Devi, W/o Ningthoujam Rajen Singh of Langthabal Kunja Makha Leikai
7) Mutum Memcha Devi, W/o Mutum Rajendro Singh of Heingang Awang Leikai
8) Soram Bheigyarani Devi, W/o Soram Khamba Singh of Langthabal Kunja Awang Leikai
9) Sarangthem Usharani Devi, W/o Sarangthem Romen Singh of Kwasiphai Mamang Leikai

(4) to (9): 0.07225

-Vs-

Late Khomdram Tomba Singh, S/o (L) Manao Singh of Mongsangei

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Hiyangthang dated 23/12/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি খুল নং ৭৭ - মোংশাঙ্গৈগী পাট্টা নং ৮৮/১৪৪৫ (অনৌবা), দাগ নং ১২১৯/২৪০৮, এরিয়া ০.৪২২৫ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মমিংদা নামজারি তৌবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং২/১/২০২৩ ইং ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপ্তি তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চৎথগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/5295/27

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR : SUGNU

**Ref :- Mutation Case No. 531/SDC/Sugnu of 2022 Dt. 26-12-22**

App. Khumukcham (N) Angom (O) Thajamanbi Leima, W/o A. Tombi Meitei of Umathel Makha Leikai

-Vrs-

- Opp. (Late) Khumukcham Amujao Singh, S/o Veigyachandra Singh of Kakching Khunou

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Dtd. 26/12/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 79-Mahou পাট্টা নং 116/143 দাগ নং 1126 এরিয়া 1.25 একর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাটা নাম্মা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/5298/27

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR : SUGNU

**Ref :- Mutation Case No. 528/SDC/Sugnu of 2022 Dt. 21-12-22**

App. 1) Athokpam Sanathoi Singh, S/o (L) Lukhoi Singh of Wangoo Warukok
2) Athokpam Anand Singh, S/o (L) Lukhoi Singh of Wangoo Warukok
3) Athokpam Robert Singh, S/o (L) Lukhoi Singh of Wangoo Warukok

-Vrs-

- Opp. (Late) Athokpam Lukhoi Singh, S/o (L) Bira Singh of Warukok Shantipur

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Dtd. 26/12/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 85-Wangoo পাট্টা নং 293 দাগ নং 1006 and 1020/1218 এরিয়া 2.08 একর চাওবা তাওথবী অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাটা নাম্মা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/5298/27

### OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR THOUBAL : MANIPUR.

**Ref. R.R. No. 571/SDC/TBL/2022.**

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Thoubal, the 21st Dec., 2022

নোটিস অসিনা খঙহল্লি মদুদি (late) Laishram Gulapi Singh Husband of Laishram Leishanu Devi, expired on 6/6/2022, a resident of Khangabok Part-II Maisnam Leikai, P.O. Thoubal P.S. Thoubal, District Thoubal Manipur, অসি মৃতু ওইখ্রে হায়ররে। মৃতু ওইখ্রবগী তুংদা মাগী নুপী Laishram Leishanu Devi aged about 46 years, অসিনা লৈখিদ্রবা অসিগী legal heir নি হায়ররে মরম অসিনা কনাগুম্বনা য়ানিংদবা য়েৎপীনিংবা য়াওরবদি খবরদা ফোঙবদগীনা নুমিৎ ৭ নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা SDC/Thoubal গী Office তা লাক্কুনা objection তৌবিবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা objection SDC/Thoubal না লৌজরোই, নিয়মগী মতুংইন্না মেটর অসি মখা চৎথরগনি।

Sd/- **(Kh. Saratchandra)**
**Sub-Deputy Collector, Thoubal**

HL-P/5503/27

### OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR THOUBAL : MANIPUR.

**Ref. R.R. No. 572/SDC/TBL/2022.**

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Thoubal, the 21st Dec., 2022

নোটিস অসিনা খঙহল্লি মদুদি (late) Thokchom Leibaklei Devi Wife of Thokchom Abhiram Singh expired on 31/1/2022, a resident of Khangabok Part-II Mayai Leikai, P.O. Thoubal P.S. Thoubal, District Thoubal Manipur, অসি মৃতু ওইখ্রে হায়ররে। মৃতু ওইখ্রবগী তুংদা মাগী নুপা Thokchom Abhiram Singh aged about 61 years, অসিনা লৈখিদ্রবা অসিগী legal heir নি হায়ররে মরম অসিনা কনাগুম্বনা য়ানিংদবা য়েৎপীনিংবা য়াওরবদি খবরদা ফোঙবদগীনা নুমিৎ ৭ নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা SDC/Thoubal গী Office তা লাক্কুনা objection তৌবিবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা objection SDC/Thoubal না লৌজরোই, নিয়মগী মতুংইন্না মেটর অসি মখা চৎথরগনি।

Sd/- **(Kh. Saratchandra)**
**Sub-Deputy Collector, Thoubal**

HL-P/5503/27

### OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR THOUBAL : MANIPUR.

**Ref. R.R. No. 574/SDC/TBL/2022.**

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Thoubal, the 21st Dec., 2022

নোটিস অসিনা খঙহল্লি মদুদি (late) Saikhom Ibungo Singh Father of Saikhom Sumati Devi expired on 23/4/2021, a resident of Khangabok Part-III Makha Leikai, P.O. Thoubal P.S. Thoubal, District Thoubal Manipur, অসি মৃতু ওইখ্রে হায়ররে। মৃতু ওইখ্রবগী তুংদা মাগী মচানুপী Saikhom Sumati Devi aged about 24 years, অসিনা লৈখিদ্রবা অসিগী legal heir নি হায়ররে মরম অসিনা কনাগুম্বনা য়ানিংদবা য়েৎপীনিংবা য়াওরবদি খবরদা ফোঙবদগীনা নুমিৎ ৭ নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা SDC/Thoubal গী Office তা লাক্কুনা objection তৌবিবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা objection SDC/Thoubal না লৌজরোই, নিয়মগী মতুংইন্না মেটর অসি মখা চৎথরগনি।

Sd/- **(Kh. Saratchandra)**
**Sub-Deputy Collector, Thoubal**

HL-P/5503/27

### OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR THOUBAL : MANIPUR.

**Ref. R.R. No. 573/SDC/TBL/2022.**

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Thoubal, the 21st Dec., 2022

নোটিস অসিনা খঙহল্লি মদুদি (late) Laishram Shyamchand Singh Husband of Laishram Bala Devi expired on 15/11/2021, a resident of Khangabok Lamlong Leikai, P.O. Thoubal P.S. Thoubal, District Thoubal Manipur, অসি মৃতু ওইখ্রে হায়ররে। মৃতু ওইখ্রবগী তুংদা মাগী নুপী Laishram Bala Devi aged about 42 years, অসিনা লৈখিদ্রবা অসিগী legal heir নি হায়ররে মরম অসিনা কনাগুম্বনা য়ানিংদবা য়েৎপীনিংবা য়াওরবদি খবরদা ফোঙবদগীনা নুমিৎ ৭ নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা SDC/Thoubal গী Office তা লাক্কুনা objection তৌবিবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা objection SDC/Thoubal না লৌজরোই, নিয়মগী মতুংইন্না মেটর অসি মখা চৎথরগনি।

Sd/- **(Kh. Saratchandra)**
**Sub-Deputy Collector, Thoubal**

HL-P/5503/27

### OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR THOUBAL : MANIPUR.

**Ref. R.R. No. 570/SDC/TBL/2022.**

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Thoubal, the 21st Dec., 2022

নোটিস অসিনা খঙহল্লি মদুদি (late) Moirangthem Thambalangou SinghFather of Moirangthem Biren Singh expired on 19/12/2021, a resident of Khangabok Awang Leikai, P.O. Thoubal P.S. Thoubal, District Thoubal Manipur, অসি মৃতু ওইখ্রে হায়ররে। মৃতু ওইখ্রবগী তুংদা মাগী মচানুপা Moirangthem Biren Singh aged about 55 years, অসিনা লৈখিদ্রবা অসিগী legal heir নি হায়ররে মরম অসিনা কনাগুম্বনা য়ানিংদবা য়েৎপীনিংবা য়াওরবদি খবরদা ফোঙবদগীনা নুমিৎ ৭ নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা SDC/Thoubal গী Office তা লাক্কুনা objection তৌবিবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা objection SDC/Thoubal না লৌজরোই, নিয়মগী মতুংইন্না মেটর অসি মখা চৎথরগনি।

Sd/- **(Kh. Saratchandra)**
**Sub-Deputy Collector, Thoubal**

HL-P/5503/27

### OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR THOUBAL : MANIPUR.

**Ref. R.R. No. 569/SDC/TBL/2022.**

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Thoubal, the 21st Dec., 2022

নোটিস অসিনা খঙহল্লি মদুদি (late) Khundrakpam Leimu Singh Father of Manoj Singh expired on 4/4/2021, a resident of Khangabok Awang Leikai, P.O. Thoubal P.S. Thoubal, District Thoubal Manipur, অসি মৃতু ওইখ্রে হায়ররে। মৃতু ওইখ্রবগী তুংদা মাগী মচানুপা Manoj Khundrakpam aged about 29 years, অসিনা লৈখিদ্রবা অসিগী legal heir নি হায়ররে মরম অসিনা কনাগুম্বনা য়ানিংদবা য়েৎপীনিংবা য়াওরবদি খবরদা ফোঙবদগীনা নুমিৎ ৭ নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা SDC/Thoubal গী Office তা লাক্কুনা objection তৌবিবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা objection SDC/Thoubal না লৌজরোই, নিয়মগী মতুংইন্না মেটর অসি মখা চৎথরগনি।

Sd/- **(Kh. Saratchandra)**
**Sub-Deputy Collector, Thoubal**

HL-P/5503/27